এফ সী গোৱা অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে

1 December, Tuesday
Mumbai City FC
vs
SC East Bengal
Time : 7:30 PM

এফসী গোৱাগী শান্নরোয়না এন ঈ য়ুনাইটেদকী মায়োক্তা বোল কাওশিনখিবা

ফটোর্দা, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনগী ঙসি ফটোর্দা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১২শুবা মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিবু য়ূম্বু ওইরিবা এফ সী গোৱাগী টিমগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে।

নোর্থইষ্টয়ুনাইটেদ এফসী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা অমা মায় পাল্লুগা অমা ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা লৈরম্বনি। অমরোমদা এফ সী গোৱা মখোয়না শান্নখিবা মেটচ অনীদা অমা মায়থীরগা অমা ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ১ ফংলগা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংনবগী অচৌবা ৱাখল্লোন অমদা শান্নবা হৌরকখিবনি। অমরোমদা, নোর্থইষ্টয়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগীনা মখোয়না পোইন্ট টেবলগী মাংজিল থানবা শান্নরকখি। লম্বা মান্নরম্বদগী ৪০শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী শৈলানা পেনাল্টি অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী অনগুলোনা ৪৩শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অনীশুবা হাফতা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী টিম অনী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ পোইন্ট ৫ ফংলগা অনীশুবদা অদুম্মক লৈরি। অদুগা এফ সী গোৱা পোইন্ট ২ ফংলগা ৭শুবদা লৈরি।

Pos	Team Name	P	W	D	L	F	A	GD	PTS
1	ATK Mohun Bagan FC	2	2	0	0	3	0	3	6
2	Northeast United FC	3	1	2	0	4	3	1	5
3	Chennaiyin FC	2	1	1	0	2	1	1	4
4	Hyderabad FC	2	1	1	0	1	0	1	4
5	Mumbai City FC	2	1	0	1	1	1	0	3
6	Bengaluru FC	2	0	2	0	2	2	0	2
7	FC Goa	3	0	2	1	3	4	-1	2
8	Kerala Blasters FC	3	0	2	1	2	3	-1	2
9	Jamshedpur	2	0	1	1	3	4	-1	1
10	Odisha FC	2	0	1	1	2	3	-1	1
11	East Bengal Club	1	0	0	1	0	2	-2	0

ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল কোচিং কেম্পকীদমক মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় ১১গা কোচ ১গা খল্লক্লে

অসেম রোজা

দাংমৈ গ্রেস

ঙাংবম স্বিতি

নোংমাইথেম রতনবলা

সোরোখাইবম রঞ্জনা

এলাংবম পান্থোই

মাইবম লিন্থোইঙম্বী

এল চাওবা (এসিষ্টেন্ট কোচ)

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

চহী অসিগী দিসেম্বর ১দগী মথং চহীগী জনুৱারী ১৫ ফাওবা গোৱাগী অসোল ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ৱিমেন্স ফুটবোলগী কোচিং কেম্প শরুক য়াননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা থোকখিবা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ১১ অমসুং এসিষ্টেন্ট কোচ অমা খল্লক্লে হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কেম্প অসিনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়া কপ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী টিম শেমগদৌরিবনি। মণিপুরদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দরদা অসেম রোজা, ঙাংবম স্বিতি, সোরোখাইবম রঞ্জনা, ৱাংখেম লিন্থোইঙম্বী অমসুং য়ুম্লেম্বম পাকপীনি। মিদফিল্ডদা নোংমাইথেম রতনবলা অমসুং কসিমানি। লোয়ননা গোলকিপরদা মাইবম লিন্থোইঙম্বী অমসুং এলাংবম পান্থোই য়াওরি। অদুগা ষ্ট্রাইকরদা দাংমৈ গ্রেস অমসুং হৈগ্রুজম দয়ানি। কেম্প অসিদা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুননবা খল্লকখিবা ওফিসল অদুদি এল চাওবনি। শান্নরোয়শিং অমদি কোচ অসিনা গোৱাদা নেসনল ফুটবোল কেম্প অদু য়াওনবগীদমক্তা ইম্ফালদগী দিসেম্বর ১দা খোঙশানগদৌরি হায়রি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী গাইদলাইনশিংনা তোঙান-তোঙানবা ট্রেনিং চথবদা অচৌবা কান্নবা পীরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা ফেদরেসন অসিগী ওইবা গাইদলাইনশিং শীজিন্নদুনা নেসনলগী থাক্তা চথরিবা ফুটবোল ট্রেনিং কেম্পশিংদা কান্নবা কয়া পীরি।

এ আইএফএফকী গাইদলাইনশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইবা গাইদলাইনশিং অদুগী মথক্তা অহেনবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লোয়ননা ট্রেনিং চথফম ষ্টেট অদুগী কাঙলোনশিংগা চুশিন্নদুনা পাঙথোকপা কেম্পশিংনি।

এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী দিভলপমেন্টেল টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন এরোজ অমদি চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী নেসনল ফুটবোল কেম্প মাংজৌননা পাঙথোকপা হৌখ্রবনি। কেম্পশিং অসিগী মতুংদা ফেদরেসন অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র টিমগী নেসনল কেম্প অমসু গোৱাদা দিসেম্বর ১দগী পাঙথোক্লনবা শেম শারি।

ওলইন্দিয়াফুটবোলফেদরেসনগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা ট্রেনিং কেম্পশিং অসি কোভিদ-১৯ লোকদাউন লৈবাক শীনবা থুংনা থমখ্রবা মতুং কোমথোরকপা খরা লাকপদগী শীনখিবনি। ইন্দিয়াগী সিনিয়র নেসনল ফুটবোল টিমগী ডা. সর্বিন সেরিফনা লৈঙাক্কী লৈরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অদুগা ইরোয়ননা অহেনবা শান্নরোয়শিংদা শোক্লোইদবা অমদি শাফগদবা কাঙলোনশিং হাপচিন্দুনা নৌনা এস ও পি অদু ট্রেনিং তৌফম খূদিংমক্তা শীজিন্নরি।

ডা. সর্বিননা ফোঙদোকখিবদা, গাইদলাইনশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা হকশেলগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা শীজিন্নরিবা গাইদলাইনশিং অদুগী মতুংইন্না শেম্বনি। মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফা অমদি এসিয়াগী ওইনা মকোক ওইরিবা লূপ এ এফ সীগী মায়কৈদগী মমাংদা থোকখিবা গাইদলাইনশিং অদুগী পরমশিং অদুসু ইল্লগা ইন্দিয়াদা চথগদবা অমদি চথরিবা ফুটবোলগী ট্রেনিং কেম্পশিং অসি পাঙথোল্লি। ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অসিগী মতুংইন্না ট্রেনিং কেম্প য়াওননবা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্টষ্টাফশিংনা মাংজৌননা মখোয়-মখোয়না লৈরম্বা মফমশিং অদুদগী লাকপদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌথোল্লুগা লাক্কদবনি। লোয়ননা কেম্প য়ৌরক্লুবা মতুংসু অমুক হন্না টেষ্ট তৌরগা নুমীৎ ৭নিগী ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং ট্রেনিং য়াওবা য়াহনগদৌরি।

অর্সনেল মায়থীহৌরে, চেলসি অমসুং টোটেনহাম ড্রো চৎখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা অর্সনেল ঙসি শান্নখিবা টিম অদুগী ১০শুবা মেটচতা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীহৌরে। অদুগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা চেলসি অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর পাঞ্জল চন্নদনা ড্রো চৎখ্রে।

অর্সনেলগী টিম চৎলিবা সিজন অসিগী হৌরকপদগী কা হেন্না ফজবা ঙমদ্রি। মখোয়না মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৯দা মরি মায় পাল্লুগা অমা ড্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ মরিনা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈখি। অমরোমদা, ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স হান্না শান্নখিবা মেটচ ৯দা মরি মায় পাল্লুগা অনী ড্রো চৎলবা মতুং মেটচ অহুম মায়থীদুনা ১২শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী পেদ্রো নেটোনা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু অর্সনেলগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ৱিলিয়ননা পীরকপা বোল অমদা গেব্রিএলনা ইক্বেলাইজর অদু ৩০শুবা মিনটতা চন্দুনা টিম অনী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকী দেনিএল পোদেন্সনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা ২-১দা মাংজিল থাখিবা অদু অনীশুবা হাফতসু মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি। ঙরাং চেলসিগা শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা ড্রো চৎখিবা টোটেনহাম হোটস্পরনা লীগ অসিগী মাংজিল থারি।

স্কিলিং ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ৱেস্লি সো অমসুং কার্লসন পোইন্ট মান্নরি

সিদনি, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন অমসুং য়ুএসএগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সোগা ঙরাং অথেংবদা শান্নবা হৌখিবা স্কিলিং ওপন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা পোইন্ট ২/২ ফংনদুনা লম্বা মান্নরি।

টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ১৬না শরুক য়ারকখিবনি। ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা মায়থীহৌবনি।

ৱর্ল্ডনম্বরৱান মেগনস কার্লসননা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অমরোমদা, য়ুএসকী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সোনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অজরবৈজানগী তৈমুর রাদজাবোবপু মায়থীবা পীরমখি। সেমীফাইনেলদা মেগনর্স কার্লসননা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়নবু মায়থীবা পীরম্বা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিবু থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

নাকল অমরোমদা, ৱেস্লি সোনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেটপু মায়থীবা পীরম্বা অতোপ্পা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরাবু থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৮৮১ ফংদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনগা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭৪১ ফংলিবা য়ু এস এগী ৱেস্লি সোগা গেম মরি শান্নখি। অহানবা গেম কার্লসননা থোইখি। অনীশুবদনা ৱেস্লি সোনা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গেমশিং অদু শান্নরোয় অনীনা অৱৌবা মচু পায়নরগা মায় পাক্লখিবদগী পোইন্ট ২/২ ফংদুনা ফাইনেল অদু মান্নরি। ঙসি অথেংবদা অনীশুবা মেটচ শান্নগনি।

নাপোলিনা রোমাবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

রোম, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

এস এস সী নাপোলিনা ঙসি শান্নখিবা ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রোমাবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মঙাশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

এস এস সী নাপোলিনা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ সান পাওলোদা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাফতা লম্বা য়াম্না মান্নরল্লবা মতুং ৩১শুবা মিনটতা নাপোলিগী মায়কৈদগী লোরেঞ্জো ইনসিগনেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা মমাংদা মেটচ ৮ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা রোমানা অথুবা মতমদা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা শান্নরকখি। অদুবু ৬৪শুবা মিনটতা নাপোলিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লোরেঞ্জোনা পীখিবা বোল অমদা টিমমেট ফাবিয়াননা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

রোমাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাকপগী খূদোংচাবা ফংদনা লৈরিঙৈ ৮১শুবা মিনটতা নাপোলিগী এটেক অমদা দ্রাইজ মর্টেন্সনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৫গী মনুংদা নাপোলিগী অতোপ্পা শান্নরোয় মাটিও পোলিটানোনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈরিবা এ সী মিলাননা ঙরাং শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফিওরেন্টিনাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা মখা তানা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থারি।

সেন্ট ইটেনি ড্রো চৎখ্রে, মোনাকোনা নিম্সপু থোইখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ফ্রান্সকী লীগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সেন্ট ইটেনি অমসুং মকোক থোংবা ক্লব ওইরিবা লিলগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখ্রে। অদুগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা মোনাকোনা নিম্সপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সেন্ট ইটেনিগী টিম ঙসিগী মেটচ অসিগী মাংওইননা রাউন্দ ১১ শান্নখিবদা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা লিলগী টিম ১১শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবা ফাওবদা পোইন্ট ২৩ ফংলগা মাংজিল থারিবা মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মথংদা পোইন্ট ২৩ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈখি। মেটচ অদুগী অহৌবা পুংখায় অমফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু সেন্ট ইটেনিগী মায়কৈদগী ৱাবি খাজ্রিনা ৩৩শুবা মিনটতা একাউন্ট হাংদোক্তুনা মাংজিল থাখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা লিলগী মায়কৈদগী বুরাক য়িলমাজনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট জোনাথন আইকোনেনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লৈখি। মেটচকী লেমহৌবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল হাপ্পা ঙম্নখিদবদগী ১-১দা ড্রো চৎখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা ১২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মোনাকোনা নিম্সপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা মোনাকো হান্না ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৪দা হাইগৎখি।

রিয়াল সোসাইদেদনা ভিলাররিয়ালগা ড্রো চৎতুনা মকোক্তা লৈখ্রে

মাদ্রিদ, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

স্পেনিশ ফুটবোলগী ক্লবশিংগী ওইবা নম্বর ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিয়াল সোসাইদেদনা ভিলাররিয়ালগা শান্নবদা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা ড্রো চৎখ্রবসু রিয়াল সোসাইদেদনা টিম ২০গী লম্বাদা পোইন্ট ২৪ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ভিলাররিয়ালনা য়ূম্বু ওইরগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অদুনা ঙন্না রিয়াল সোসাইদেদকী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। টিম অদুনা পুশিনখিবা এটেক অমদা রিয়াল সোসাইদেদকী পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল তৌরকপদগী ফংখিবা পেনাল্টি অদু টিম অদুগী শান্নরোয় জেরার্দ মোরিনোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৬শুবা মিনটতা মখোয়না রিয়াল সোসাইদেদপু ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনদ্রিঙৈ ৩৩শুবা মিনটতা রিয়াল সোসাইদেদকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা ভিলাররিয়ালগী দিফেন্দরশিংগী অশোয়বনা পেনাল্টি অমা ফংখি। মদুগী খূদোংচাবা অদু সোসাইদেদকী মিকেল ওয়ারজবলনা পাঞ্জল ওন্থোল্লুগা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচ অদুগী মখা তারকপা অনীশুবা হাফকী লোইশিনবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈতবদগী ড্রো চৎতুনা রিয়াল সোসাইদেদনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা মাংজিল থারি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লীগ অসিগী মমৈদা লৈরম্বা সেল্টা ভিগোনা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা থাক ২হাইগৎলগা ১৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

বেয়র লেবরকুসেন অমসুং হোফেনহেমগী মেটচশিং ড্রো চৎখ্রে

বর্লিন, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

বুন্দেসলিগাগী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা বেয়র লেবরকুসেননা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হর্থা বর্লিনগা পাঞ্জল চন্নদনা ড্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হোফেনহেম অমসুং মাইঞ্জ ০৫ পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখ্রে।

বেয়র লেবরকুসেন মমাংগী রাউন্দ ৮ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, টিম অদুগা লম্বা তৌনখিবা হর্থা বর্লিনগী টিম পোইন্ট ৭ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম ১৮গী লম্বাদা মমৈ থংবা কাঙলূপ্তা লৈরিবা টিমশিং ওইখিবা মাইঞ্জ ০৫ অমসুং হোফেনহেমগা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা ড্রো চৎখি। হোফেনহেমগী টিম মমাংগী মেটচ ৮দা পোইন্ট ৮ ফংলগা ১২শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, মাইঞ্জ ০৫গী টিম চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৪ ফংলগা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈখি। টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎপদগী মখোয়-মখোয়না লৈরমখিবা পোইন্ট টেবলগী পোজিসনশিং অদুদা অহোংবা লৈখিদে।

ঙরাং ড্রো চৎখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু মাইঞ্জ ০৫গী মায়কৈদগী জোন পোল বোইটিয়সনা ৩৩শুবা মিনটতা পীরকখিবা বোল অমদা টিমমেট রোবিন ক্বাইসননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হোফেনহেমবু ১-০দা মাংজিল থাখি। হোফেনহেমগী মায়কৈদগী মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা রায়ন সেসেগনোননা পীবা বোলদা ইলাজ বেবোনা ইক্বেলাইজর চল্লগা ড্রো চৎখি।

টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমদা ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইখ্রবা বোক্সর মরি নৌনা য়াওখ্রে

TOP
Target Olympic Podium

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈঙাক্না শীন্দুনা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং শরুক য়াদুনা মকোক থোংবা ঙম্নবগী হোৎনরকপা থৌশিল অমগী মনুং চন্না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমদা মমাংদা শরুকয়াদুনা লৈরিবা শান্নরোয় কয়াগী মরক্তা নৌনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা বোক্সর মরি নৌনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা শরুক য়াহনখ্রে হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নুপীগী বোক্সর ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬০) অমসুং এসিয়ন মেদালিষ্ট পুজা রানী (কেজি ৭৫)না মাংজৌননা স্কিম অসিদা লৈরিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সী মেরি কোমগা পূনগদৌরি। নুপাগী কাঙলূপ্তা এসিয়ন সিলভর মেদালিষ্ট অসিশ কুমার (কেজি ৭৫) অমসুং এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট সটিশ কুমার (কেজি ৯১ মথক)না হান্না স্কিম অসিদা শরুক য়ারিবা অমিট পনঘল (কেজি ৫২), মনিশ কোসিক (কেজি ৬৩) অমসুং বিকাশ ক্রিষন (কেজি ৬৯)গা পূন্না স্কিম অসিদা শরুকয়াগদৌরি। বোক্সিং খক্তানৎতনা অতোপ্পা দিসিপ্লিনগীসু শান্নরোয় কয়া অমা স্কিম অসিনা কোনশিল্লি।

অম্ফানা তোঙান-তোঙানবা ৱর্কশোপ অমসুং কোর্সশিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না ঙসি থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা ৱর্কশোপ অমসুং কোর্সশিং দিসেম্বর ১০দগী হৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না দিসেম্বর ১০দগী ১২ ফাওবা ফুটসাল রেফরিজ ৱর্কশোপ পাঙথোক্কদৌরি। মদুগী মখা তারকপদা দিসেম্বর ১৫দগীনা ১৭ ফাওবনা রেফরিজ ইন্সট্রক্টরশিংগী ইভাল্যুএসন কোর্স পাঙথোক্কনি।

অম্ফাগী প্রোগ্রাম অসিগী মতুংইন্না দিসেম্বর ২০দগী ২২ ফাওবা আর এ/আর আই রিফ্রেশর কোর্স অমসু পাঙথোক্কদৌরি। কুমজা ২০২১গী জনুৱারী ৪দগীনা ৬ ফাওবগী ওইনা কেটগোরি ৱান, টু অমসুং থ্রীগী রেফরিশিংগী রিফ্রেশর কোর্স পাঙথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, জনুৱারী ১০দগীনা ১২ ফাওবনা কেটগোরি ফোর অমসুং ফাইভতা লৈরিবা রেফরিশিংগী রিফ্রেশর কোর্স অমা পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হায়রি।

অম্ফানা হায়রিবা ৱর্কশোপ অমদি কোর্সশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরিবা এস ও পি ঙাক্না চৎকনি।

সেনিগালগী মমিং লৈরবা ফুটবোল্লর পাপা বোবা দিওপ মশাগী চহী ৪২শুরকপদা লৈখিদ্রে

দাকর, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):

ফিফাৱর্ল্ডকপকী কুমজা ২০০২দা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এদিসন অদুদা হৌখিবা এদিসনগী চেম্পিয়ন ফ্রান্সপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখিবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল চনখিবা সেনিগালগী পাপা বোবা দিওপ মশাগী চহী ৪২ শুরকপদা লৈখিদ্রে।

ফিফাগী মায়কৈদগী দিওপনা ঙরাং লৈখিদবগী পাউ অদু মীয়ামদা খঙহল্লকপনি। সেনিগালনা কুমজা ২০০২ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুদা অফ্রিকা ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লৈবাক অদুগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াখিবনি। মখোয়না শরুক য়াখিবা অহানবা ৱর্ল্ড কপ অদুগী অহানবা মেটচতা কুমজা ১৯৯৮গী ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইখিবা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমদুনা ফিফাগী রেকোর্দ ওইখিবনি।

সেনিগালনা হায়রিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌদুনা অফ্রিকাগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী ফজবা লৈবাকশিং অদু ওইখি। লৈখিদ্রবা পাপা বোবা দিওপনা সেনিগালগীদমক কুমজা ২০০১দগীনা ২০০৮ ফাওবা পূন্না মেটচ ৬০ শান্নবা ঙমখি। মদুদা নৎতনা মহাক্না স্বিটজরলেন্দ, ফ্রান্স, গ্রিস অমসুং ইংলেন্দগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংদা শান্নরমখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com